# কাশ্মিরগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ য়াওনা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোকখ্রে



শ্রীনগর, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :
য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ময়াই তাংবল লৌদুনা কাশ্মিরগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

হোম মিনিষ্টরনা সিক্যুরিটিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা কাশ্মিরদা থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি।

শ্রীনগরদা লৈবা নেহরু গেষ্ট হাউসতা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অব্দুল্লানা লুচিংবা নেসনল কনফরেন্স (এন সী) গী মীহুৎ কাঙবু অমনা রাজনাথকা উন্নদুনা কাশ্মিরগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা কাশ্মিরদা গভর্নমেন্ট পায়রিবা পীপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পী দি পী) অমসুং অতৈ পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি রিভিয়ু মীটিংদা চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটি, সেনিয়র ব্যুরোক্রেটশিং, পুলিস ওফিসলশিং অমসুং ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিশিংগী মীহুৎ কয়া শরুক য়াখি।

তুংদা রাজনাথনা সাউথ কাশ্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা চত্তুনা ফিভম য়েংশিনখি। মফম অদুদা মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংগা উন্নদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

কাশ্মিরগী অপুনবা দিষ্ট্রিক্ট তরাগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট মরিদগী কর্ফিয়ু লৌথোকখ্রবসু দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তদি মখা তানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লি। অদুবু ফিভম খরা ফগৎলকপদগী অথিংবা খরদি কোমথোকখি। হৌখিবা জুলাই ৮ দা বুরহান ৱানি কৌবা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর অমা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না কাশ্মির তম্পাক্তা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখিবনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীওই ৪৬ শিবা লৈখ্রে। মরকসিদা জম্মু এন্দ কশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওমর অব্দুল্লানা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উন্নদুনা হায়খ্রে মদুদি জম্মু এন্দ কশ্মিরনা হৌজিক মথৌ তারিবসি ইকনমিক পেকেজ নত্তে, পোলিটিকেল সোল্যুসননি।

তুংদা পাউমীশিংগা উন্নখিবা অমদা অব্দুল্লানা হায়খি মদুদি কশ্মির তম্পাক্তা হৌরক্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ মতৌ করম্না লাকশিনগদগে হায়বগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথকা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্না নৈনখ্রে। তুং কোয়না চৎনগদবা থৌরাং অমা লৌখৎত্রিবমখৈদি কশ্মিরগী ৱাথোক লোয়শিনহনবা ঙমখিরোই হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

নোংমৈনা ৱাথোক অসি লোয়শিনহনবা ঙল্লোই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সেন্তরনা সিক্যুরিটি পর্সনেল মশিং য়াম্না থারক্লবসু ষ্টেট অসিদা হৌরক্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথবা ঙল্লোই।

ইকনমিক পেকেজ কয়া পীরগসু ৱাথোক অসি লোয়শিনহনবা ঙল্লোই। ৱাথোক অসি লোয়শিনহন্নবগীদমক পোলিটিকেলগী ওইবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না মহাক্না পাউমীশিংদা ফোংদোকখি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, সেন্তরনা কশ্মিরদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনফম থোকই হায়না হোম মিনিষ্টরগী মফমদা ফোংদোক্লল্লে।

মরকসিদা সাউথ কশ্মিরগী দিষ্ট্রিক্ট মরী-অনন্তনাগ, কুলগাম, কুপৱারা অমসুং পুলৱামাদা মখা তানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমদুনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনরি। মকোকথোংবা পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, বন্দিপোরা, বরামুল্লা, বদগাম অমসুং গন্দরবালদগী কর্ফিয়ু লৌথোকখ্রবসু হায়রিবা দিষ্ট্রিকশিং অদুদা মী মরী নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পুনবগী মতাংদদি মখা তানা অথিংবা থল্লি।

কাশ্মির তম্পাক্তা ঙসিগী ওইনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিবগী পাউ লৈতে হায়না মহাক্না পাউমীশিংদা মখা তানা ফোংদোকখি। বুরহান ৱানি লৈখিদ্রবা মতুংদা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাকপদগী কাশ্মিরদা মতম কত্তুনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখিবনি অদুবু ফিবম খরা ফগৎলকপদগী মফম খরদা অথিংবা লৌথোকখি।

অমরোমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা মতুং তারকপদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৩৪০০ অশোক অপন নংবা লৈখ্রবনি।

# তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :
নোং কন্না চুবদগী লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নবগা লোয়ননা বিহারদসু তুরেল অয়াম্বা ঈমায় ৱাংখৎলক্লে।

কোসি, বাগমাতি অমসুং গনদক তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরকপগা লোয়ননা ঈমায় পাথোরকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। ষ্টেটকী নোংপোক থংবা শরুক অমসুং সীমনচল এরিয়াগী মফম খরদি ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবনি। কোসি অমসুং গনদক বেরেজদগী ঈশিং ক্যুসেক লাখ মঙা থাদোরকপদগী মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। পুর্নিয়া, অরারিয়া অমসুং কাটিহারদা মীওই ১২ ঈরাক্নদুনা শিবা লৈখ্রবনি। চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা ঈচাওগা মরী লৈননা মথৌ তাবা রিলিফ অমদি রেস্ক্যু ওপরেসন চত্থনবা খঙহনখি।

অমরোমদা অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতসু ঈচাওগী ফিভম হেনজিল্লকপগা লোয়ননা মীওই অনী ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখ্রে। উত্তরখণ্ডদনা নোং কন্না চুবদগী ফক্লাং নিংখায়রকপদা ইমুং অমগী মীওই অহুম শিখি।

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা নোং কন্না চুবদগী ঈচাও মায়োক্নরবসু নেসনল কেপিটেল দিল্লিদদি নোং চুদবা নুমিৎ নীনি শুরক্লে। মদুনা মরম ওইরগা কা হেন্না শাবদগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা মীওই লাখ মঙারোম হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা মীওই অনী ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখিবগা লোয়ননা কজিরঙ্গ নেসনল পার্ক, পোবিতোরা ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচ্যুঅরি অমসুং দিব্রু-সাইখোৱা নেসনল পার্ক ঈশিং থুমজিনখ্রে। ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপদগী দিষ্ট্রিক ১৪ দা লৈবা খুঙ্গং ১০৩৯ ঈশিং থুমজিন্দুনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়রি।

# বি জে পি অমসুং সমাজৱাদি পার্টিনা দয়াশঙ্করগী মতেং পাংলগা বি এস পীগী মথক্তা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপনি: ময়াবতি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :
দয়াশঙ্কর সিংহনা ময়াৱতিবু ওক্তবীগা চাংদম্নরুবদগী থোরক্লিবা ৱাথোক নোংমা নোংমগী অসুম চাউথোরকপগী ফিভমদা লৈরে।

বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পী) গী লুচিংবী ময়াৱতিনা হায়খি মদুদি বি জে পীনা শৌগৎলগা দয়াশঙ্করবু মহাক্কী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকহনখিবনি। বি জে পীনা ইনশিল্লগা দয়াশঙ্করনা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা বি এস পীগী মথক্তা লুজদবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকখিবনি হায়নসু ময়াৱতিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি বি জে পীনা দয়াশঙ্করবু কনখৎনবা হোৎনদুনা লৈরে। লৌতুনবা অসিদা সমাজৱাদি পার্টি (এস পী) সু য়াওরি। বি জে পীনা মীয়াম্বু নমথাক তৌদুনা দয়াশঙ্করবু পার্টিদগী তাম্থোকখিবা তারবসু দলিট মীয়ামগী থম্মোয় পেলহনবা ঙল্লোই।

বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতিনা হায়খি, দলিটশিংগী মিংদা পোলিটিক্স তৌবগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি। করিগুম্বা থৌদোক অমা হেক থোক্লকপা মতমদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী ফীভম অমা ময়েক শেংনা উবা ফংই। লৈবাক অসিনা নিংতম্লকপা চহী ৬৯ শুরবসু দলিট ফুরুপকী মীওইশিং অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা লৈতে।

কুমজা ২০১৪ দা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা গভর্ণমেন্ট পায়রকখিবা মতমদা দলিটশিংগী অখন্নবা থৌরাং খরা শোয়দনা লৌখৎলক্লগনি হায়না থাজনখি। অদুবু হীরম অসিগী মতাংদা মরুওইবা বিল অমত্তা পাস তৌবা লৈত্রি।

অমরোমদা, বি জে পিদগী তাম্থোকখ্রবা দয়াশঙ্কর সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতিনা লোক সভাদা নুপীশিংবু ইকায়বা পীদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখি। ময়াৱতিবু ওক্তবীগা চাংদম্নদুনা হাউসতা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লু-বগীদমক বি জে পিগী লুচিংবা অসি পার্টিদগী তাম্থোকপা লৈখ্রবনি। বি জে পিগী এম পি দয়াশঙ্কর সিংহনা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) গী প্রসিদেন্ট ময়াৱতিবু ওক্তবীগা চাংদম্নরুবদগী পার্লিয়ামেন্টতা চরাংনবা থোকখিবনি। বি জে পি উত্তর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা দয়াশঙ্করনা চংখিবা থৌওং অদুগীদমক পার্টিগী ফম অমত্তা পায়হনখিদবগা লোয়ননা পার্টিদগী তাম্থোকপা লৈখ্রবনি।

দয়াশঙ্করনা রাজ্য সভাদা বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতিবু ওক্তবীগা চাংদম্নরুবদা ওপোজিসননা অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি। মদুনা মরম ওইরগা হাউসকী মীফম নোংমগী ওইনা য়েথোকপা তাখি। পার্টিগী টিকেট পীবগী মতাংদা বি এস পীনা লৌখৎলিবা থৌওংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ময়াৱতিবু ওক্তবীগা চাংদম্নখিবনি।

# বি এস এফ, পাকিষ্টান রেঞ্জর্সনা দিজি থাক্কী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

## ত্রিপুরাদা ইন্দিয়া অমদি বঙ্গলাদেশকী বোর্দর ফোর্সেসকী নুমিৎ ৪ নিগী মীফম হৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মরক্তা নৌনা টেন্সন ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা মথং চয়োলদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সেস (বি এস এফ) অমসুং পাকিস্তান রেঞ্জর্সকী মীফম অমা ইস্লামাবাদতা পাঙথোক্কদৌরি।

ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি মীফম অদুদা শরুক য়ারুনবগীদমক মীওই ২৫ না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাকিস্তানগীদমক ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রগনি। বি এস এফকী দিরেক্তর জেনরল কে কে শর্ম্মনা অতোপ্পা সিনিয়র ওফিসল অহুমগা লোয়ননা ইস্লামাবাদতা চত্তুনা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নর ওইরিবা গৌতম বম্বৱালেগা হান্না ৱারী শানরবা মতুংদা অতৈ দেলিগেটশিং অদুনা অট্টারি ৱাগাহ ফাওরগা ইস্লামাবাদতা থুংলুগনি।

ওফিসল সোর্স অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা দিরেক্তর জেনরল থাক্কী মীফম অসিদা বি এস এফনা পথানকোটতা থোকখিবা থৌদোক্কী ৱাফম পুখৎলোই।

অমরোমদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং বোর্দর গার্দস বঙ্গলাদেশকী মীফম অমা ত্রিপুরাদা পাঙথোকপা হৌখ্রে।

নুমিৎ মরিনি চত্থগদৌরিবা ইন্সপেক্তর জেনরল থাক্কী মীফম অসিদা বোর্দর গার্দস বঙ্গলাদেশকী চিট্টাগোং সেক্তরগী রিজনেল দিরেক্তর ওইরিবা ব্রিগেদিয়র জেনরল মহমদ হবিবুল করিমনা লুচিংবা মীওই ২১ না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমনা শরুক য়ারি।

বি এস এফকী ওইনদি ত্রিপুরা ফ্রন্টিয়রগী ইন্সপেক্তর জেনরল জে বি শঙৱাননা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা মীফম অসিদা শরুক য়ারি। অখাউরা চেক পোষ্টতা পাউমীশিংগা উন্নখিবদা করিমনা হায়খিবনি মদুদি য়ুন্নোন্নবা লৈবাক অনীগী বোর্দর ঙাক্লিবা ফোর্স অনীগী মরক্তা অফবা মরী থম্নদুনা ঙমখৈদা খুদোংথিবা অমত্তা থোকহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি।

থৌদোক মচা মশু খরা নত্তনা ইন্দিয়া-বঙ্গলাদেশ বোর্দরদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দবা ঙল্লে। অদুমওইনমক মখা তাবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবগীদমক মরক মরক্তা চাং নাইনা লৈবাক অনীগী বোর্দর ফোর্সকী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লাকখি। মীফম অসিদা ঙমখৈ শম্বল খাজিনবগী ৱাফম মপুং ওইনা খন্নরবা য়াই হায়রি।

# পুং ৪৮ হৌখ্রবসু ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী প্লেন থিবা খঙদ্রি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) কী এন এন ৩২ এয়রক্রাফ মফম খঙদনা মাঙখিবা পুং ৪৮ হেল্লবসু হৌজিক ফাওবা প্লেন অদুগী খোঙ্গুন লীবা ফংদ্রি।

মীওই ২৯ তোংবা আই এ এফকী প্লেন এ এন-৩২ কোরিয়র ফ্লাইট অমা চেন্নাই মনাক্কী তম্বরম এয়রবেজদগী অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ তম্না পাইখ্রবা মতুংদা অয়ুক্কী পুং ৯.১২ তাবদা রাদরদগী মাঙখিবনি।

প্লেন অদু চেন্নাইগী নোংপোক্তা কিলোমিটর ২৮০ লাপ্পা মফমদা থিবা খঙখিদবনি হায়রি। রিপোর্ট অমনা হায়, নেভি অমসুং কোষ্ট গার্দকী জহাজ ১২ না নুমিদাং চুপ্পা এরোপ্লেন অদু থিবগী থবক চত্থখি। ছর্চ ওপরেসনদা পি ৮১ অমা সী জি দি ও অমা অমসুং সী ১৩০ প্লেন অমসু শীজিন্নখি। ছর্চ ওপরেসন য়েংশিন্নবগীদমক চেন্নাইদা থুংলখিবা দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা এয়রক্রাফট অমা তোংলগা নোংথক্তগী এরোপ্লেন মাঙখিবা মফম অদু য়েংশিনখি।

মাঙখ্রবা প্লেন অমদি প্লেন অদুদা তোংখিবা পার্সনেল পুন্নমক থিবা হোৎনরি হায়না পরিকারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফট অদুদা তোংখিবা মীওই ২৯গী মনুংদা ক্র্যু মেম্বর ৬ অমদি সিভিলিয়ন ৮ (আই এ এফ পার্সনেলশিংগী ইমুং-মনুং) য়াওখি। আই এ এফকী পার্সনেল ১১, নেভি ১, আর্মি জৱান ২ অমসুং কোষ্ট গার্দকী মেম্বর ১সু য়াওখি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

প্লেন অদু নোংথক্তা ফুট ২৩,০০০ ৱাংনা পাইরম্লগা ইখঙ খঙহৌদনা রাদরগী স্ক্রিনদগী মাঙখিবনি হায়রি। পাইলোটনা প্লেন অদু পাইখৎখ্রবা মতুং মিনিট ১৬ লোম লৈরগা "করিসু থোইদোকপা অকায়বা য়াওদে" হায়না টেলিফোন তৌরক্লম্বা লৈখি।

হৌজিক-হৌজিক রসিয়ানা শাবা এ এন-৩২ এয়রক্রাফট ১০০ রোম হেন্না য়ুক্রেনদা অপগ্রেদ তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা শীজিন্নরিবনি।

মফম খঙদনা মাঙখ্রবা প্লেন অদুগী মতাংদা হান্নগী এয়র মার্সল এ কে সিংহনা হায়খি মদুদি প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই অমত্তা হিংলমগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে। মরকসিদা আই এ এফ, নেভি অমসুং কোষ্ট গার্দনা সবমেরিন অমা, এয়রক্রাফ্ট নিপান অমসুং জহাজ ১৩ শীজিন্নদুনা মাঙখ্রবা প্লেন অদুগী খোঙ্গুন লীবা হোৎনরি। আই এ এফনা সি-১৩০ প্লেন অমা অমসুং এ এন-৩২ অনী শীজিন্নরি। নেভিনা পি ৮ আই মেরিটাইম সর্ভিলেন্স এয়রক্রাফ্ট অনী অমসুং এন্টি সবমেরিন ৱারফেয়র এয়রক্রাফ্ট শীজিন্নদুনা মাঙখ্রবা প্লেন অদু থিবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি প্লেন অদু কদায়দা কমদৌনা লৈখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ইন্দিয়ন দিফেন্স ফোর্সকী পাইলোট অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, প্লেন অদু খুদোংথীবা থৌদোক অমা শোয়দনা মায়োক্নরম্বা য়াই। মরম অদুনা অতেনবা মতমগী মনুংদা পাইলোটনা পাউ ফাওরকপা তৌদনা প্লেন অদু মফম খঙদনা মাঙখিবনি। অন্দামান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী পোর্ট ব্লেয়র তম্না পাইখিবা প্লেন অদুনা হেক পাইখৎখ্রবা মতুং মিনিট ১৫ রোম লৈরগা কন্ট্রোল টাৱরগা মখা তানা পাউ ফাওনখিদ্রে হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

# মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া মুখৎপা য়ানা লৈরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :
নিটি আয়োগকী ভাইস চ্যেরমেন অরবিন্দ পনাগরিয়ানা লুচিংবা কম্মিটি অমনা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই) মুখৎনবগী মতাংদা রিপোর্ট অমা গভর্নমেন্টতা পীশিল্লগনি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মেদিকেল এদ্যুকেসনগী মতাংদা মওং মরিল তানা থবক লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়বগীদমক এম সী আই মুখৎলগা অনৌবা বোদি অমা শেমহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া য়াওবা রেক্কমেন্দেসন অমা কম্মিটিনা গভর্নমেন্টতা পীশিল্লগনি হায়রি।

সোর্স অমনা হায়খি মদুদি মরী লৈনবা মীওইশিং অমসুং খঙ হৈরবা এক্সপর্টশিংগা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা কম্মিটিনা রিপোর্ট অমা শেম্বা লোয়রে। মথং চয়োলদা রিপোর্ট অদু গভর্নমেন্টতা পীশিল্লবা য়াই।

লৈবাক অসিদা অনা লায়েংগী থবক তৌরিবা দোক্তরগী অৱাৎপা লৈবা মরম্না মেদিকেল কোলেজ মশীং হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়না কম্মিটিনা লৌবগা লোয়ননা এম সী আই মুখৎতুনা অতোপ্পা বোদি অমা লীংখৎহন্নবা রেক্কমেন্দ তৌগদবনি হায়রি।

এম সী আইগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবগী মতাংদা শেমখিবা কম্মিটিদা প্রাইম মিনিষ্টরগী এদিস্নেল প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি পী কে মিশ্রা অমসুং নিটি আয়োগকী সী ঈ ও অমিতাব কান্ত য়াওরি। মেম্বর অহুম্না শাবা কম্মিটিনা এম সী আইগী মহুৎতা অনৌবা বোদি অমা লীংখৎতুনা মেদিকেল এদ্যুকেসনগী থবক থৌরমশিং খুমাং চাওশিনহন্নবা ৱাফম কয়া রেক্কমেন্দ তৌগদৌরি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী হৌগৎলকপদা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমনা এম সী আইগী থবক থৌরমশিংদা পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মেদিকেল এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎহন্নবগীদমক্তা এম সী আইগী মহুৎতা অনৌবা বোদি অমা লীংখৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না, হিরম খুদিংমক্তা থবক নিংথিনা তৌবা ঙমদ্রবা এম সী আই মুখৎলগা অতোপ্পা বোদি অমা শেম্বগী মথৌ তারে হায়না কম্মিটি অসিবু লুচিংলিবা অরবিন্দ পনাগরিয়ানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিদা দোক্তরগী অৱাৎপা লৈরবসু এম সী আইনা অনৌবা মেদিকেল কোলেজ অমত্তা লীংখৎনবগী অয়াবা পীদ্রে। হান্না লৈরিবা মেদিকেল কোলেজ খরসু রেকগনিসন কক্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

# 'অলিগড়দগী হিন্দুশিং চেন্নিংলে'

অলিগড়, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :
অলিগড়দা লৈরিবা হিন্দু অয়াম্বা মফম অদুদা মখা তানা লৈবদা খুদোংথিবা মায়োক্নবা য়াই খনবদগী ময়ুম য়োম্থোক্লগা অতোপ্পা মফম অমদা চৎনিংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, অলিগড়গী বাব্রি মন্দির এরিয়াদা থোকখিবা মোলেষ্ট তৌবগী থৌদোক অমনা মরম ওইরগা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা চাউনা উংখৎনরকখি। হিন্দু ফুরুপকী মীওইশিংনা মফম অদুদা মখা তানা লৈবদা খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা য়াই খনবদগী ময়ুম মকৈ য়োম্থোক্লগা অতোপ্পা মফমদা চৎনবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা মখা তানা হায়রি, মশাগী চহী ১৯ শুবদা ঙাইহিরিবী হিন্দু নুপী অমা অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংনা শারি চিংলগা মোলেষ্ট তৌবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মীওই কাঙলুপ অনীগী মরক্তা নুঙ লংনবগী থৌদোক অমা থোকখি।

পুলিসনা মতম চানা ফিবম লাকশিনবদগী পামদবা থৌদোকমক্তি থোকখিদে। শাংলবা চহী ৩৮ মুক অলিগড়দা লৈরকখিবা সুধা ভরশনী কৌবা মীওই অমনা এজেন্সীদা হায়খি, মফম অসিদা ঐখোয়গী ইচানুপীশিং লৈবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। হিন্দু ইমুং অয়াম্বনা ময়ুম মকৈ য়োম্থোক্লগা অতোপ্পা মফম অমদা চৎনিংবগী অপাম্বা লৈরে হায়রি।

# লুপা ক্রোর ২০০০ কাইথখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :
সেন্তরনা লৌখৎপা চারধাম প্রোজেক্টকীদমক অহেনবা শেনফম ওইনা লুপা ক্রোর ২,০৭০ ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা কাইথখ্রে।

প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা উত্তরখন্দগী কেদরনাথ, বদ্রিনাথ, যমুনোত্রি অমসুং গঙ্গোত্রি শম্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। থৌরাং অসি লৌখৎপদা চাউরাক্না লুপা ক্রোর ১১,৭০০ চংগনি হায়না পানরি।

ওফিসল অমনা হায়খি, ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা চারধাম প্রোজেক্টকী অহেনবা শেনফম ওইনা লুপা ক্রোর ২,০৭০ কাইথদুনা মতম পুন্নমক্তা কেদরনাথ, বদ্রিনাথ, যমুনোত্রি অমসুং গঙ্গোত্রি ফাওনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

চারধামগী নেসনল হায়ৱে কন্নেক্তিভিটি ইমপ্রুভমেন্ট প্রোগ্রামগা মরী লৈননা থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা কিলোমিটর ৮৯ শাংবা লন্বী শেমগৎনবগীদমক দিতেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি পি আর) পীখৎলক্নবা মতুংদা সেন্তরনা অচঙবা শেনফম পুন্নমক পুথোক্তুনা হায়ৱে শেমগৎপা হৌখ্রবনি। কুমজা ২০১৬-১৭ কী বজেট পুথোকপদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি মদুদি চারধাম প্রোজেক্ট পায়খৎপগা লোয়ননা বিহারগী বৈসালি, পাট্না, বোধ গয়া, রাজগির, নলন্দা, কহালগোন অমসুং ভিক্রমশিলা ফাওনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICK SAMPLE: PIS

(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 8.80 | 3000 | Rs. 26400 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 30000 |
| 1st | Rs. 8.80 | 2000 | Rs. 17600 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st | Rs. 8.80 | 1500 | Rs. 13200 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 15050 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 3000 | Rs. 24600 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 28200 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 2000 | Rs. 16400 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 18800 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 1500 | Rs. 12300 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 14150 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 3000 | Rs. 21000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 24600 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 2000 | Rs. 14000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 16400 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 1500 | Rs. 10500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 12350 |
| Peti | Rs. 7.00 | 3000 | Rs. 21000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 24600 |
| Peti | Rs. 7.00 | 2000 | Rs. 14000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 16400 |
| Peti | Rs. 7.00 | 1500 | Rs. 10500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 12350 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 3000 | Rs. 12000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 15600 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 2000 | Rs. 8000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 10400 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 1500 | Rs. 6000 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 7850 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 3000 | Rs. 9000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 12600 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 2000 | Rs. 6000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 8400 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 1500 | Rs. 4500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 6350 |

Contact: 9862048579, 7085684539, 9856052197 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

HL-P/8540/27/05-26/07 (alt.)

[illegible]/ লায়েংজরি

**UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3123/3/06-2/07